# এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎপম মনিবাবু শর্ম্মনা লুচিংবা টিমনা স্কুলশিং য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী ফীভম ফরা ফগৎলকপনা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা নবেম্বর ১২দগী ষ্টেট অসিদা ক্লাস নাইনগী মথক্তা লৈবা ক্লাসশিংগী ওইনা স্কুলশিং, কোলেজশিং অমদি অতোপ্পা ইন্সটিট্যুসনশিংদা ওফলাইন ক্লাস হৌননবা হাংবা য়ারগনি হায়না খঙহনখিবগী মতুং তারকপদা স্কুলশিংদা ক্লাস নীংথিনা চথরব্রা, করিগুম্বা চথরগনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংথিবা থোক্লিংঙাই ওইব্রা হায়বদু ঙসি মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর)গী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎফম মনিবাবু শর্ম্মনা লুচিংবা টিম অমনা স্কুলশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এম সী পি সী আরগী মেম্বর জিতেন্দ্র অমদি জেদ ঈ ও ককচিং নাওরেম অচৌবা য়াওনা চৎখিবা স্কুলশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুনা ৱাবগাই হায় স্কুল অমদি লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা ক্লাস হৌরমদবা ৱাবগাই হায় স্কুলগী ক্লাস অথুবদা হৌননবা মহৈরোয় অমদি ইমুং-মনুংদা হকথেংননা খঙহন্ননবা পাউতাক পীখি। লোয়ননা স্কুলগী ওজাশিংদসু মহৌশাগুম ক্লাস হৌননবা খঙহনখি।

কম্মিসনগী টিম অদুনা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিনখিবা মতমদা স্কুল অসিগী ক্লাস হৌরম্বা অমদি ওজাশিংনা মপুং ফানা ক্লাস লৌরম্বদা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা উৎখি। মখা তানা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্না থবক পায়খৎননবা এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎপম মনিবাবু স্কুল অসিগী ওজাশিংদা পাউতাক পীখি হায়রি।

# তরাম্না ওকপা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরী লিটরেরি এসোসিএসন, জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম বাবুপারাদা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ইম্ফালগী অইবা-অইবীশিংবু তরাম্না ওকপা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী হিয়াঙ্গৈগী শৈদিন্নবা থৌরম অদুদা ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরি এন মোহেন্দ্রো, মণিপুরী লিটরেরি এসোসিএসন (মালা)গী চ্যেরমেন এফ অহমদ, খোরিরোল অইবা-অইবীশিংগী পাউ শান্নফমগী এদভাইজর ইদ্রার এম কে প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা জিরিবাম অমদি ইম্ফালগী অইবা-অইবী ৩০ রোম্না মশা-মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোকখি অমদি মালা জিরিবামগী মীওইশিংদা লাইরিকসু খুৎশিন্নখি। ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরি এন মোহেন্দ্রোনসু মালাগী মফমদা শেলগী তেংবাঙসু পীখি।

মণিপুরী লিটরেরি এসোসিএসন (মালা), জিরিবামনা থা খূদিংগী পাঙথোকপা শৈরেং চাংদম্নবদা মোইরাংথেম সৈত্যবতিনা হন্দক থাগী পোইন্ট ওফ মন্থু তাখ্রে। ইন্টিগ্রিটিদা যুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা মহাক্না মকোক ওইখিবনি। অদুগা লৈবাক নীংবা থীমদা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেনদগী গ্রেজ্যুএটকী থাক ফাওবদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী শৈরেং চাংদম্নবদনা মোইরাংথেম তোমৈনা ইবা লমদম অসি তোপ্পীদা হায়বা শৈরেংনা মকোক ওইখ্রে।

# বি জে পি তদুবী মন্দল অমসুং বুথ লেভেল মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): বি জে পি তদুবী মন্দল অমসুং বুথ লেভেল কম্মিটিগী মীটিং তদুবী এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হৌখিবা নবেম্বর ১২দা পাঙথোকপগা লোয়ননা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগীমীখল অসিদা পার্টি অসিবু এ সী অসিদা মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবা কুপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা এ দি সী সেনাপতিগী হান্নগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর থাইখো পিটরনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা বি জে পিগী লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা শুগায়বা ৱারোল থমখি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি শীংথানিংঙাই ওই। মরম অসিনা মীয়াম্না বি জে পিবু শৌগৎমিন্নসি। গ্রুপিজম নাইদনা পার্টি অসিগী ৱার্করশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌদুনা এ সী অসিদগী বি জে পিগী মীহুৎ থাগৎসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱার্কর ইলা এ মেকদেলিননা হায়খি, লাক্লিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা অমুক হন্না ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়গনি। মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী য়াইফননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি। থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস অমসুং এক্স-এম এল এ লোহোরিসু শরুক য়াখি।

# মীয়াম্না মীহুৎ খনবনা কনাগুম্বশিংনা ইনশিল্লকপা ৱাফম অমত্তা তাদনা ইশাগী রাইট মপুং ফানা শীজিন্নবীয়ু : দৌলত খান



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মীয়াম্না মীহুৎ খনবনা কনাগুম্বশিংনা ইনশিল্লকপা ৱাফম অমত্তা তাদনা ইশা-ইশাগী রাইট মপুং ফানা শীজিন্নবীয়ু হায়না জোইন্ট সী ঈ ও দৌলত খাননা ফোঙদোরক্লি।

ওফিস ওফ দি চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুর, হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট (ঐচ দি) ফাউন্দেসন মণিপুর, ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল্ড পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমসুং মাউন্টেন বাইক এদভেঞ্চর এসোসিএসনগা পুন্না খুৎশম্নদুনা দি রাইটস এন্দ ইম্পোর্টেন্স ওফ দি পার্টিসিপেসন ওফ পিপল ৱিত দিসএবিলিটিজ ইন অপকম্মিং ইলেক্সন ২০২২ হায়বা থীমদা ঙরাং চৎখিবা মাস সাইক্ল রেল্লি অমা থাংমৈবন্দগী থাউগ্রাউন্দদগী লমথারদুনা মথক্কী ৱাফম অসি জোইন্ট সী ঈ ও দৌলত খাননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইশাদা অকি-অখঙ লৈতনা, কনাগুম্বা অমত্তগী ইথিল য়াওদনা ইশা-ইশাগী রাইট অদু ইশানা শীজিন্নদুনা লমদম অসিগী অচুম্বা অশেংবা লুচিংবশিং খনসি। ইলেক্টোরেল রোলদা মিং চনবগী চহী শুরবশিংবু মিং চনবীদুনা ইশা-ইশাগী ভোটিং রাইট অদু ফংননবা হোৎনবীয়ু। সাইকল রেল্লি অসি পিপল ৱিথ দিসএবিলিটিশিংদা ইনি দয়াগী কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মীওইবা অমগী রাইট মখোয়গীসু চপ মান্ননা ফংই হায়বা অদুগী এৱ্যেনের্নেস কেম্পেনগী দ্রাইভ অমনি। দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মশাগী চহী ১৮ শুরবদি হৌজিক চথরিবা স্পেসল সম্মরি রিভিজন ২০২০ অসিদা চিংথ-নাম্থদনবা ইলেক্টোরেল রোল অসিদা মিং চলহৌদুনা ভোটিং রাইট ফংননবগী পান্দমদা দিসএবল্ডশিংগী রাইট অদুগীদমক পাউজেল পুবা রেল্লি অসি পাঙথোকপনি। অপান্বা অমসুং অফবা লুচিংবা খনবদা ইশাগী রাইট লৈ হায়বা পাউজেল অসি মীয়ামদা য়ৌহল্লসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিং য়াওনা নুপা-নুপী পুন্না মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়ারগা চৎখিবা রেল্লি অদুদা দিসএবল্ড ভোটরশিংবু ঈকায়খুম্নবীয়ু। দিসএবল্ডশিংবু ভোট থাদবগী রাইট ফংহনসি। চহী শুরবা দিসএবল্ডশিং ভোটর লিষ্টতা মিং চলহনসি হায়বনচিংবা ৱারোলশিং ইবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি। সাইকল রেল্লি অদু থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদগী হৌরগা খোয়াথোং, নাগামপাল, উরিপোক কেন্টিন লৈরক, উরিপোক লম্বী, নাওরেমথোং, তেরা কৈথেল, সয়াং লম্বী, ক্বাকৈথেল, খাগেমপল্লি, পিশুমথোং, শীংজমৈ চিংঙামথক ফাওরগা বাবুপারা, হেদ পোষ্ট ওফিস ত্রাফিক ক্রোসিং, কোনুং মমাঙ, চেক্কোন, হট্টা, টেলিপতি, লল্লোং, লাইরিকয়েংবম লৈকায়, লল্লোংদগী দিক্কু রোদ, খোংনাং অনী কারক অমসুং এসেমব্লী রোদ ফাওদুনা থাউ গ্রাউন্দদা অমুক লমথুংফম ওইখি।




HL-P/0468/27 Oct. to 26 Nov

লৌশিং পুক্কে

# টিন এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন

## ইনখৎলকপা মতমদা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন নাবা-১



টিন এঞ্জাইটি হায়বদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা নাবা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন অসি মপুঙ মরৈ ফারবা মীওই (এদল্ট)শিংদা নাবা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন অদুগা মান্নদবা তোঙানবা অনাবা অমা নত্তে। অদুমওইনমক, হায়রিবা অনাবশিং অসিগী লাইওংশিংদুদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা থেংনবদুগা অহলশিংদা থেংনবগা মান্নদবা য়াই।

মসিগী মরমদি ইনখৎলক্লিবশিংনা মহৌশানা অদুম মায়োক্লবা দিভেলপমেন্টল অমসুং সোসলগী ওইবা অহোংবশিংনা ওইবা য়াই। অহোংবশিং অদুদি খুদম ওইনা হোর্মোনগী ওইবা অহোংবশিং, ব্রেন অমসুং হকচাংদা দিভেলপমেন্ট তৌরকপা, অমদি লোয়ন-তিন্নবশিংগী প্রেসর অসিনচিংবা পনবা য়াই।

ইনখৎলক্লিবশিংদা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন নাবগা ষ্ট্রেস য়াম্না ৱাংবা, পুন্সিগী ক্বালিটি হন্থরকপা অমদি খরা হেন্না শোকচিল্লবা কেসশিংদনা সুইসাইদনচিংবগা মরী লৈনরকই।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহা ৪ খুদিংগী ১ দি দিপ্রেসন নাই হায়রি। দিপ্রেসন লৈবা মীওইশিং অসি অনম্বা মতমদা এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিং লৈগল্লি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটি নাবগী মরমশিং, মায়োক্লবা য়াবা লাইওংশিং, অমসুং মসিগা মরী লৈনবা অতোপ্পা কয়াগী মতাংদা মখাদা পীরি।

ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন নারকপগী ওইথোকপা য়াবা মরম কয়া অমা লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুং চনবশিংদি:

**জিনেটিক্স:** ইমুংগী মীওইশিংদা মুদ নৎত্রগা এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিং লৈখিবগী হিষ্টরি লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদনা হায়রিবা অনাবশিং অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা হেল্লি।

**ট্রোমা:** মমাঙদা ট্রোমা থেংনখিবা, খুদম ওইনা সেক্স্যুএল এব্যুজ, ভাইওলেন্স, নৎত্রগা এক্সিদেন্ট অমদা য়াওরুবা অসিনচিংবগী হিষ্টরি লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন মায়োক্লবা য়াবগী চাং ৱাংবা য়াই।

**ইনভাইরনমেন্ট:** ইনখৎলক্লিবা মীওই অমগী সোসল, স্কুল অমসুং য়ুমগী ইনভাইরনমেন্টশিংনা মখোয়গী পুক্নীং ৱাখলগী হকশেলদা ইথিল পীবা য়াই। অৱাবা খুদোংচাদবশিং খুদম ওইনা ইমুংদা এব্যুজ অমসুং থৌশাবিদবা, অমসুং মমা মপা খাইনবা, থীনা তৌবিবা, নমথবিবা, লায়রবা, লর্নিং দিসএবিলিটিজ, অমদি অতোপ্পা মীওইশিংগী মরক্তা চুশিন্নবা-চাশিন্নবা ঙমদবা অসিনচিংবা পুম্নমক অসিনা দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটি লাকহন্নবগী মচাকশিং ওইবা য়াই।

**ব্রেনগী ওইবা খেন্নবশিং:** ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংগী ব্রেনগী ষ্ট্রকচর অসি মপুঙ মরৈ ফারবা মীওইশিংগী ব্রেনগা খেন্নৈ। ইনখৎলক্লিবশিংগী ব্রেনগী, খুদোংথীবা অমসুং রিৱার্দশিংদা রেস্পোন্স তৌবদা শীজিন্নবা সর্কিটশিংদা অহোংবশিং লাকপনা ষ্ট্রেস লেভেল হেনগৎহনবা য়াই। দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটি লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ব্রেনদা ন্যুরোট্রান্সমিটরশিং, খুদম ওইনা দোপামাইন, সেরোটোনিন, অমসুং নোরইপিনেফ্রাইননচিংবগী লেভেলশিংসু খেন্ননা য়াওবা য়াই। হায়রিবশিং অসিনা মুদ অমসুং লমচৎ শাজৎ রেগ্যুলেট তৌবদা এফেক্ট তৌই।

**সবষ্টেন্স মিসয়ুজ:** দ্রগ অমসুং অলকোহোল মিসয়ুজ তৌবনা ইনখৎলক্লিবশিংগী মুদতা শোকহন্দুনা দিপ্রেসন লাকহনবা য়াই। মখোয়না মশাগী ইমোসনশিংবু মশানা ফাথজনবা হোৎনবদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিদা তাইনরকপা য়াই।

**হকচাং মপুঙ-মরৈ ফারকপগী ষ্ট্রেসশিং:** হকচাং মপুঙ-মরৈ ফারকপা (প্যুবর্টি) মায়োক্লরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং হোর্মোনগী ওইবা অহোংবশিং লৈবনা মখোয়গী মুদতা অকায়বা পীবা য়াই অমদি হকচাংগী ওইবা অহোংবশিং অসি মায়োক্লবদা ষ্ট্রেস লৈবা য়াই, অহোংবশিং অদুনা মরম ওইরগা মখোয় মশাবু মমান্নবা/মমান্নবীশিং অদুগা মান্নদরে হায়না ফাওজহনবা য়াই।

**নেগেটিভ থোট পেট্টর্নশিং:** ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন নাবা অসি নেগেটিভ ওইবা ৱাখলগী পেট্টর্নশিংগসু মরী লৈনবা য়াই। মখোয়না অরানবা-খল্লোইদবা ৱাখলদা চাং নাইনা এক্সপোজ তৌরবদি (অয়াম্বনা মখোয়গী অহল-লমনশিংদগী ওইগল্লি) মখোয় মশাদসু নেগেটিভ ওইবা মীৎয়েং অমা শাগৎলকপা য়াই।

**লাইওংশিং:** মখোয়না ইনখৎলকপা/চাওখৎলকপগী মহৌশাগী ওইবা শাজৎ-মওংশিং অদুগা ৱাখল লায়না নারম্বা য়াবগী মওং উৎপা শাজৎ-মওংশিংগী মরক্তা খেন্নবা খন্দোকপা হায়বসি মখোয়গী অহল-লমন নৎত্রগা শেন্নরিবশিংগী মফমদা লুনা থোকপা য়াই।

মখোয়দা উবা ফংলিবা শাজৎ-মওংশিংগী অহোংবশিং অদু চয়োল কয়া নৎত্রগা থা কয়া অসুম লৈরগদি, অমদি হায়রিবা অহোংবশিং অদুনা মখোয়গী নুংতিগী পুন্সিদা অকায়বা পীরক্লবদি মদু দিপ্রেসন নৎত্রগনা এঞ্জাইটি, নৎত্রগনা অনীমক্কী সিম্পটমশিং ওইবা য়াই।

ইনখৎলক্লিবা মীওই অমদা মখাগী সিম্পটমশিং অসি উবা ফংলগদি, মহাক অদু দিপ্রেসন নৎত্রগা এঞ্জাইটিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরম্বা য়াই। সিম্পটমশিং অদুদি:

ইনর্জি ৱাৎপা; মখোয়না হান্না পাল্লবা পোৎশকশিংদা ইন্টরেষ্ট লৈরক্তবা; কা হেনমন্না তূম্বা নৎত্রগা ৱাৎমন্না তূম্বা নৎত্রগা অদুম চোকথদুনতা লৈবা মানবা; পুক্নিং চঙবা ঙমদবা; মশা মথন্তা লৈবগী মতম অসুম অসুম হেল্লকপা অমদি মীয়াম পুনবা থৌওংশিং য়াওদবা; কা হেন্না চাশিনবা; মশানা মশাবু শোকহঞ্জবা থৌওংশিং, খুদম ওইনা মশাগী উনশা লেনথৎপা নৎত্রগা মৈনা পোকহঞ্জবা/চাকহঞ্জবা; য়ু, দ্রগ নৎত্রগা মৈখু শীজিন্নরকপা; থৱায় কা হেন্না নুংঙাইতবা নৎত্রগা আশা উরক্তবা ফাওবা; এঞ্জাইটি অমসুং পাখৎপা ফাওবা; শাউগনবা অমদি মী নৎত্রগা পোৎচৈশিংদা তাইনগনবা; খুদোং থীনিংঙাই ওইবা নৎত্রগা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা শাজৎশিং তৌবা, মথন্তবু ওইরো নৎত্রগা মমান্নবশিংগবু ওইরো; অমদি সুইসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল পোকপা অসিনচিংবশিংনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা যুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

#### মণিপুর চাওখৎনবগীদমক অফবা মতিক চাবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং লৌবা মথৌ তাই



মণিপুরদা পাল্লক্লিবা অমদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী থবক থৌরাং-থৌশিলশিংদা মপুং ফাহন্নবা অফবা মতিক চাবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং লৌবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা থৌরাং অমনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা অমদি চৎথরিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসিদি টোটেল ফেল ওইরে হায়বা য়াই। হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিদি জোব ক্রিএসন তৌবা ঙম্বা মী পুথোকপগী মহুৎ জোব সিকর ওইবা মীওই ঙাক্তা ওইনা পুথোকপগী মমি চাওনা তারিবনি। মহৈ-মশিন তম্বা লোয়রবা মীওই কয়া অমা লৈঙাক্কী থবক তান্নরি। অদুবু লৈঙাক্না মীপুম খুদিং থবক পীবা ঙমদবনিনা অয়াম্বনা শেরান্নবা লম্বীদা চৎখিবা, দ্রগতা, য়ুদা লাইচুখিবনা অয়াম্বনি। অমরোমদসু মতম চানা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস তৌবিদবা অমদি নমশিনবিবনা নহা কয়া ককঙাওনরে। ইশম শম্না হৌজিক আই আর বিগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা প্রুফনি। মণিপুর লৈঙাক্না তুংগী অমদি জেনরেসন কন্ননবগীদমক রিক্রুটমেন্ট পোলিসি অমা নৎত্রগা এক্ট অমা শেম্বিয়ু। মহৈরোয় অমদি পেরেন্টশিংনসু মহৈ-মশিন তম্বা খক্তা নত্তনা মশাগী শিনফম ওইবা য়াবা ট্রেদ তমহৌনবা হোৎনবিবসু মথৌ তাই হায়জনিংই। লৈঙাক্না ভোট ময়া খক্তদা লৈঙাক্কী থবক লৌরিবা অসি ভোট বেঙ্ক ওইনবা অমদি করপসন মরু হুন্নবনি হায়বসি মীয়াম ঐখোয় খন্থবা মতম য়ৌরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অদুমক লৈরগদি চাওখৎপা অদুমক থিন্থনা লৈবা তাবনি।

❒ শৌগাইজম রোনন খুমন, ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর-২

#### এম এল এ ওইবগী মঙ্গনশিং চপচানা লৈবা কেন্দিদেটশিংদা টিকেট পীরবদি শাফগনি



এম এল এ ওইবগী মগুনশিং চপচানা লৈরবা মীওইশিং খক্তদা পোলিটিকেল পার্টিগী টিকেটশিং পীরবদি পুম্নমক্কী শাফবা হায়বদু ওইগনি। ১২ শুবা জেনরেল ইলেক্সননা নকশিল্লকপসিদা কোভিদকী অকীবশিং নাথৈরগা এম এল এ ওইনিংবগী ৱাখল্লোলদা ভোৎ লেপনিংবদগী মশাগী ফীরেপশিং কাউথোক্লগা সোসল ৱার্কর মালহন্দুনা চমজরবা মীয়ামগী পুক্নিং লৈতাহন্দবা মীওইশিংগী মশিং লাকঙমদনা থোক্লকপনা ফজখ্রবা মশিং লাকঙমদব্রা মগুন কয়ানা লৈতেংলগা ওইরক্কদৌরিবা মেম্বর ওফ লেজিসলেটিভ এসেমব্লি এম এল এ হায়বা দিসিজন মেকিং ওইদুনা লৈবাক ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা ফম অসিবু মশক থীহনগদৌরে। মসিগী অচৌবা মরমশিংদি নেসনল পার্টি মরুওইনা বি জে পি অমদি কোঙ্গ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেট ওইনবগীদমক টিকেট ফংনবগীদমক ষ্টেটতা লৈরিবা টিকেট কম্মিটিনা রিকমেন্দ তৌরগা কেন্দিদেটশিংগী মীংশিং পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিশিংদা থাবগী মথৌ তারিবদুদা ষ্টেটকী টিকেট, রিকমেন্দিং ওথোরিটিশিংনা হান্নদগী মীয়াম্না হকথেংননা থবক তৌজরক্লবা হায়বদি য়ু এল বিদগী ম্যুনিসিপালিটি নগর পঞ্চয়ট, জিলা পরিষদ অমদি গ্রাম পঞ্চায়টশিংদগী ভোৎ লেপ্লগা কাজরক্লবা লাইরিক লাইশুসু মতিক চানা হৈরবা কয়াশিংগী মীংশিং নাথৈবিরগা রাজনিতিগী মরমশিং করিমত্তা খঙদ্রিবা শেলদি মরাং কায়না পায়রবা মীওইশিং অমদি মখোয়গা তীন্নরুবা মরুপ-মপাংশিং কয়াগী মীংশিং থাবগী চৎনবি লৈরিবা অদু হন্দক্তি তৌবিগনু হায়জরি।

❒ টিএচ বিরেন, নিংথৌখোং-১৪

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।১১।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৮.২০ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ১২ নি পাল্লি, মতুং ১৩ নি পাল্লনি।

মেষ: থবক পাঙগনি, য়েৎনরম্বা কোকচগনি অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংজবা য়াবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপদি ৱাই অমদি য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবনা ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: চিংনবা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবা লৈবা য়াই। হকচাং নুংঙাইবদি হেনবা, য়েক্লবা লাকশিনবা অমদি লৌশিং চাওবনা অয়াম্বা লমদা পুক্নিং পেনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: লেঙদবা লন ফংজবৈ নুংঙাইবা, ৱাখল থাদরগা পাঙবা থবক খুদিং মায় পাকচবা অমদি খুৎ চাওবৈ কান্নবা ফংগনি। থাজদনা নক্লবনা কায়নহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: মরি-মতা অমদি নক্লবনা থোইনা চানবীগনি। থৌরম শীন্দোকপা হৈবনা মীংচৎ ফংনিংঙাই ওই। থবক্কী লমদা হন্থবা লোয়নবনা মরুপ-মপাংনা ওৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: থিজিনবা কনবা অমদি খাঙবা কনবৈ কান্নজবা ঙসিসু লৈ। অরাপ্পা মীগা লোয়ননা পাঙবা থবক মায় পাক্লোই অমদি লাই-গুরুগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: নিংবা থুংজবা, অনৌবা থবক পাঙনিংবা অমদি পল্লম্বা শেল-থুম ফংজবা য়াবা লৈরে। ৱানোম্বদি কান্নগনি। ঐ মঙাইরে খন্না চৎলদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: খোয়রাংবা, নাপল অমদি খৎন-চৈনবা থাদোকউ, মদুগী চন্নফম লৈতবা নুমিৎনি। অদুবু অনিংবা থবক খরদি লায়না পাঙগনি অমদি নিংজবা থুংগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক: নক্লবা অমদি মরি-মতানা লুনা তৌবীবা অমদি মরুপকা লোয়ননা পাঙবা থবক থৌরমদা কান্নজবা নুমিৎনি। অরং অরাক ফংবগুম থাগৎপিবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: লৌশিং চাওবনা নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অরাপ্পা চৎপা নত্রগা অরাপ্পগী মীগা থৌ পাঙমিন্নবা ফৈ, মীয়াম্নসু য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: থবক পাঙগনি, নিংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নরগা থৌ পাঙউ, চাওখৎকনি। মীয়ামগা মরি ফবদি ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ: মহৌশাগুম থৌদি পাঙগনি, লেঙদবা লনসু চাওখৎকনি অমদি অকিবা লৈতনা থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। ঙাং-শকপা অমদি পোরম য়াৎপদি হৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিন: মায় পাক্কনি, শেন্দোং লৈ, নচা-ননাই হেনগৎকনি অমদি লান্দবনা কান্নবা হেন্না ফংগনি। য়েৎলম্বসু ফরনি অমদি মরুপ লোয়নবা কান্নবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।